Unique ID No. MN/2015/0088389 of May 2015

CELEBRATION 61 YEARS

RNI 22347
ISSN 2348 - 2044

# ꯔꯤꯇꯨ
# ঋতু

৬১শুবা চহীগী
১৮৭-১৮৮ শুবা মশীং
জুন-আগষ্ট ২০১৯

ꯗ ꯀꯜꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ

**The Cultural Forum, Manipur**

(Recognised by Sahitya Akademi, New Delhi)

Rupmahal Tank, B.T. Road, Imphal

# য়াউফম তাকপা


এদিটরগী ৱারোল ঃ হিন্দু ধর্ম্মগী থৌরমশিং ময়েং তারকপা ৪

অৱাবা ফোঙদোকপা ঃ ৫

ৱারেং ঃ ওবজেক্তিব কোরিলেটিবকী মীৎয়েংদা ভুবনস্নাগী শৈরেং
-কে ইন্দিরা দেবী অমসুং প্রোঃ ঐচ নোনিকুমার সিংহ
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, আসাম য়ুনিভর্সিটি, শিলচর ৬

খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক
-দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ ১১

ঃ মণিপুরী নাৎতা মণিপুরী নুপীগী থৌদাং
-তোইজম তম্ফা ১৪

ঃ কাওশীংদা উৎলিবা নুংশিবা
-মককময়ুম খালিদা জিয়া, রিসর্চ স্কোলর
-দা কোইজম শান্তিবালা দেবী, এসিস্টেন্ট প্রোফেসর
মণিপুরী দিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর ১৭

ঃ মণিপুরী ঈশৈং-নুংশিৎঃ মমাঙউে অমসুং হৌজিক
-হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ ২২

ঃ **কোপেনহাগেন**
-থিয়াম যেকেন্দ্র, কৈশাম্পাৎ থিয়াম, লৈকাই, ইম্ফাল ২৩

ঃ **"পানথোইগী খোঙ্গুল" অমসুং মণিপুরী নাৎ**
ময়াংলম্বম প্রেমচান্দ সিংহ, রিসর্চ স্কোলর
মণিপুরী ড্রিপার্টমেন্ট, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি
-**দা. টি তম্ফা,** এসোসিয়েট পোফেসর ২৬

ঃ **যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী উপন্যাস "মথৌ কনবা দি এন এ" গী মিংথোন**
-খোইরোম সুশিবালা দেবী, রিসর্চ স্কোলর
-প্রোঃ রাজেন তোইজাম্বা, মণিপুরী দিপার্টমেন্ট
মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, কাঞ্চিপুর ২৯

ঃ **নীংতমহিঁউে ফাওবদা লৈখিবা ভারতকী ইংরাজি কবিতাগী খোঙচৎ**
-এল মেমো সিংহ ৩৩

শৈরেং ঃ **হোল্লো হী নঙবু**
-অরাম্বম মেমে ৪১

ঃ **ফজবদূতবু লোল্লসি**
-অরাম্বম মেমে ৪১

ঃ **মেমীংথা**
-হৈক্রুজম শ্যামসুন্দর সিংহ ৪২

ঃ **গুপ্ততগী নুপী ওইরুবগীরা**
-খোকচোম বেবিথোই চনু ৪২

# খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক

-দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ

**খোংজোম পর্ব্ব হৌরকপাঃ**

মণিপুরী খুন্নুং ঈশৈগী শক্লোন অমা ওইরিবা **ঈশৈ-বারী** (বেলদ)**গী মখলশিংগী মনুংদা 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়বা শৈশক অসিসু মরুওইবা অমনি।** 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়বা শৈশক অসিমক্তি তরামাপলশুবা শতাব্দী লোইশিল্লকপদা 'খোবি লৈনৌ' হায়না খঙনবা কনাগুম্বা নিপা অমনা ইহান-হান্না শৈশক অসি হৌদোক্লম্বনি হায়না লৌনৈ। 'খোংজোম' ইম্ফালদগী খারোমদা চাউরাক্লা কিলোমিটর ৩৫ (কুপ্পামত্তা) লাপ্পা ইন্দো-ম্যান্মার লম্বী ময়াদা লৈবা খুন অমনি। ১৮৯১ ইংদা বৃটিশ সম্রাজগী মায়োক্তা মণিপুরীশিংনা মরৈবাক্কী নীংতম্বা কন্নবগী অকন্নবা লান শোক্লখিবা অমসুং মখোয়না বৃটিশকী মখুত্তা মায়থীখিবা মফম অদুনি খোংজোম হায়রিবসি। মফম অসিদা মতম কুইনগী ওইনা মণিপুরীশিংগী য়েলহৌঙেদগী হৌনা লৈজরক্লবা নীংতম্বগী নুমিৎ তাখি। অসিগুম্বা মণিপুরী কাউফম খোক্লবা নীংতম নুমিৎ তাখিফম, খোংজোমগী লান অসিবু মণিপুরী মচা পুন্নমক্কী থম্মোইদা য়েক্সুনা কাউঙমদনা থম্মোই শোক্লা নীংশিংদুনা অমদি শোন্নদুনতা লাকখি। খোংজোম লান অসিদা মণিপুরীগী অকল-অথৌ কয়া-কয়া খাওঙুথত্তা পুন্সি লোমখি। খুৎকন পাঙ্গল্লবা মীশিং লাকওমদ্রবা বৃটিশ লাশ্মীগী মায়োক্তা মীশিং য়ামজদ্রবা মণিপুরীগী অকল-অথৌ অমদি খোঙমী-লাশ্মীশিংনা জাতিগী ঈকাইখুম্নবা ঙাক্সুনা মরৈবাক মরমদমগী নীংখা-তম্বা ঙাক্লবগীদমক্তা খোম তোপকী অকি-অখং লৈতনা থাং-তা অমদি লৈজবা নোংমৈ পায়দুনা চোংশিন-চোংশিন অফং-অফংনা বৃটিশ লাশ্মী হাৎন-হাৎনা, মশা-শিনা মরৈবাক্তীদমক্তা মথৱায় কৎখি। অসিগুম্বা খোংজোম লানগী থৌদোক কয়াশিং অসিবু উহৌবা অমসুং নীংশিংবা ওইনা খোবি লৈনৌনা তোঙানবা খোম্লোক অমসুং **শৈশক্লোন অমদা শকপা হৌরক্লম্মী। অসিগুম্বা শৈশক অসিবু 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়না খঙনরম্মী। 'খোংজোম' নম অমগী মমিংনি, অদুগা 'পর্ব্ব' হায়বনা তাঙ্কক অমা নৎত্রগা পন্দুপ অমা হায়বনি। খুদম ওইনা হায়রবদা 'ভীষ্ম পর্ব্ব', 'দ্রোন পর্ব্ব' হায়বগুম্বনি।** খোংজোম পর্ব্ব হায়রিবা **ঈশৈ-বারী** (বেলদ)গী মখল অসিনা খোংজোম লানগী বারী শীংখুন অদু তাঙ্কক-তাঙ্কক খায়দোক্লগা শক্লদুনা তাবা অদুবু 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়না খঙনখিবনি। মসিগী শৈশক অসি খোলক্তা লোয়নননা ফমদুনা খোংজোম লান্দা মণিপুরী অকল অথৌ অমসুং খোঙমী-লাশ্মীশিংনা লানথেংনখিবা থৌনা ফবা থৌদোকশিংদু শৈথাদুনা শকই। মমৈথংদা খোংজোম লানগী থৌদোক্তা নঙনা অতোপ্পা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা শক্লবসু ঙসি ফাওবদা মসিগী শৈশক অসিবু 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়না অদুম্মক খঙনরি। তশেংনমক হায়রিবা শৈশক অসি মণিপুরগী সনা কোনুংদগী হৌদোক্লকপা ঈশৈ-বারী অমা নত্তে। খোবি লৈনৌনা লৈকাই-লৈকাইদা অমদি খুনদা শকপদগী কোন্না কোনুংদা খঙনরকপা অমসুং লৈবাক শীন্না শন্দোরকপা শৈশক মখল অমনি।

খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন অসিবু হৌদোক্লিবা খোবি লৈনৌগী য়ুম্নাক শমজেংশাবমনি। মহাক্কী নুপীগী মমিংনা অমুবী ওরফে অমুরৈশং কৌই। মহাক্কী মচা মরিগী মমিংদি লালা, থম্বৌ, গনধারসিং অমসুং তোনসিজ দেবী অসিনি। মচানুপী তোনসিজদি থিনুঙ্গৈদা লৈ। খোবি লৈনৌগা পোকথিন্নবা মন্নানিপানা পুক্চাউ সিংহ কৌই। মণিপুরগী স্কোলর খরগী মোত-মতুংইন্না মহাক্লা খোবি লৈকাইদা লৈবদগী মহাকপু 'খোবি লৈনৌ' হায়না খঙনখিবনি। অতোপ্পা স্কোলর খরগী মোত মতুংইন্নদি মহাক্লা বৃটিশ ওফিসকী মীওইশিংগী ফিরোলশিং শুরম্মি হায়বদগী খোবি লৈনৌ কৌবনি। খোবি লৈকাই হায়রিবসি হৌজিক্কী এল, আই, সিগী ওফিস লৈরিবা মফম অসিবুনি। মফম অসিদা ফি-শুবশিং লৈরম্মী। অদুগা বৃটিশশিংনা হৌজিক্কী পী দল্লিয়ু দি গী মফম অসিদা লৈরম্মী। নিংথৌজম অঙাংয়াইমগী মোত মতুংইন্না শমজেংশাবম চাউতোনগী মচানিপা লৈনৌ অসি নোংমাইজিং চীংখোঙদা লৈবা খোবি খুনদা লৈরম্মী। খুন অসি হৌজিক্তি লৈত্রে। অদুবু ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৪ রোম লাপ্পা চৎলগা খুন

অসিগী মফম ধোবি লম্পাক নৎত্রগা তথেল্লস্রম লম্পাক হায়না খঙনবা অমদি হৌজিক ফাওবা লৈরি। শঞ্জেনবম নদীয়া সিংহগী মোত মতুংইন্না ধোবি লৈনৌ অসি অহানবদা কাংঙবম লৈকাইদা লৈরম্মী।

মহাক্কী মশেন ইবুংঙো মোংজম তিলকনা হায়বগী মতুংইন্না ধোবি লৈনৌ অসি তুমু (ম্যাম্মার)দা ললোন-ইতিক তৌবা চৎলি। মমৈথংদা ম্যাম্মারগী ঙমখৈদা অচৌবা শিঙ্ক ললোনবা নিপা অমগী শন শেন্দুনা লৈখিরম্মী। বৃটিশকী লাম্মীশিংনা ম্যাম্মারদগী মণিপুরলোমদা চঙশিল্লকপা মতমদা বৃটিশ লাম্মবীগী লক্ষ্মন কৌবা সুবেদার অমগা ধোবি লৈনৌগা উন্নরম্মী। সুবেদার অসি সিলেটতগী ওইবনা ধোবি লৈনৌ অসি মণিপুরীম চানি হায়বদু খঙলম্মী। মঙোন্দা পৈশা য়াম্না পীদুনা বৃটিশ লাম্মীশিংগী লমজিংহল্লম্মী। মহাক্না বৃটিশ লাম্মীশিংগী মতেং পাংবা ওইনা ১৮৯১ ইংগী খোংজোম লান অসি তশেংনা হকথেংনখি। বৃটিশকী বোম তোপকী মরক্তা মণিপুরী অকল-অথৌ লাম্মীশিং-য়েনখোইবা মেঞ্জর, চোংথামিয়া মেঞ্জর, থাংখৈ মৈরাবা মেঞ্জর, পাওনা ব্রজবাসি মেঞ্জর, হৈরাংখোংজা, পাওনাগী সেবক সেঙ্গোয়সনা, চীংলেন সনানচিংবা মমা লৈবাক মণিপুরবু কল্লবা হোৎনবদা মথৱায় থাদোকখিবা খোংজোম লানগী থৌদোক্তুবু উরুবদগী মশাদা নুংঙাইতবা পূক্নীংগী ঈথিল অমা ফাওরকখি। মসিগী থৌদোকসি কাউবা ঙমদদুনা মতম খরা মহাক্না খোংনাং মখোঙদা উখোঙদা অমদি লম্বী মপান্দা মথৱায় নুংঙাইতনা ফম্মি হায়নৈ। দোবি লৈনৌনা চহী ৫০ (য়ম্খৈ)মুক শুরকপদা খোংজোম লানগী থোকখিবা নুঙাইতবা থৌদোকশিং অসি নীংশিং নীংশিংদুনা ঈশৈ-ৱারী ওইনা শকপা হৌরকখিরম্মী। পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহগী মোত মতুংইন্নদি খোংজোম লান লোইরবা মতুংদা ধোবি লৈনৌনা কাছাড়দা লৈরিঙেদা খোংজোম পর্ব্ব হায়রিবা শৈশক্লোন অসি হৌদোকখিবনি।

মণিপুরী খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসিবু ইহান হান্না হৌদোকখিবা মীশকনি থাজনরিবা ধোবি লৈনৌগী মতাংদা মণিপুরদা লৈরিবা অখণ্ড অহৈ অমদি পন্দিতশিংগী তোঙান তোঙানবা মোত মথক্তা পীগ্রে। অদুবু মহাকী মতাংদা মখা তানা থিজিল্লুবদা শমজেৎশাবম লৈনৌগী লৌরী য়ুম্ফম ইম্ফালদগী কিলোমিটর কুন্থ্রামঙারোম চৎলগা থিনুঙৈ হায়বা মফম অদুদা লৈবা থেংনরে। ধোবি লৈনৌগী মশুনিপানা হায়রকপগী মতুংইন্না লৈনৌ অমদি অমুরৈশং অনীনা পোকপা মচা অসি তরুকনি। মখোয়শিং অদুদিঃ ১) শমজেৎশাবম ললা সিংহ, ২) থম্বৌ সিংহ, ৩) তোনশিজ দেবী, ৪) ধবলি দেবী, ৫) গন্ধার সিংহ অমসুং ৬) মাইপাকপী দেবী অসিনি। মচানিপা অহল ললা সিংহনা রাবৈ কৌবা মচা অমা পোকখি, মহাক লৈখিদ্রে। মচানুপী তোনশিজ মচা পোক্তে। নিপাগী মমিং হুইদ্রোম য়াইমা কৌই। গন্ধার নুপী অহুম লোল্লি। মহাক অসি মাইবা শাবা মীশক্নি। কাছাড়দা মাইবা শাবা চৎপদা কাছাড়দগী নুপীসু লৌরকই। হৌজিক হিংলিবা ইমুং-মনুং অমসুং মশুশিংনা হায়রকপগী মতুংইন্না মখোয়গী অশেংবা হৌরকফমদি খাইদেমদগীনি। খাইদেমদা হৌজিক হৌজিকসু মরী মতাশিং লৈরি। ধোবি লৈনৌগী মরমদা মখোয়না মবোক অমদি মপাদগী তাহৌবদি লৈনৌ অসি মীকি-লাইকিদবা মীশক অমনি। 'খোংজোম লান' লোইরবা মতুংদা মতমদুগী নিংথৌগী মফমদা চঙজদুনা কোনুংদা লৈজগে ঐনা তৌজবা য়াবা থবক অমত্তা পীবিয়ু হায়না চঙজরুবদা নিংথৌনা কোনুংগী ফিরোল শুদুনা লৈরো তাকপীরকখি। মতম অদুদগী মহাক কোনুংদা লৈরকখি। মতম অদুদা মণিপুরদা লৈবা সিফাইশিং অমদি সাহেবশিংগী ফি শুবগী থবক তৌদুনা লৈনবা মীওইশিংবু 'ধোবি' হায়না কৌনবদুদা লৈনৌবুসু কোনুংগী ফিরোল য়েংশিনবগী থবক তৌই হায়দুনা 'ধোবি' হায়বসি পক্লগা 'ধোবি লৈনৌ' হায়না খঙনখিবনি। মহাক্না অতৈ সিফাইশিং অমদি সাহেবশিংগী ফিরোল শুরু-চাম্লুবা নত্তে। ধোবি লৈনৌ ঙাঙবা-শকপা ফবা, ৱাং চাউবা, রাশি চংখোনবা মীশক্নি। নিংথৌনা লুনা-চান্না তৌই। মহাক্কী মগুণশিং অসিনা মতম অদুগী কোনুং মনুংদা মহাক্কী মফম অমা নোংম-নোংমগী লৈরক্লম্মী। মহাক্না কোনুংদা লাকপা অতৈ মীওইশিংবু ফুবা-চৈবা তৌরবসু নিংথৌনা মহাকপু য়াম্না অকন্নবা চৈরাক পীদনা কন্দুনা থমখি। অসুম্না হৌরকপা অসিদগী মমৈথংদা খোংজোম লানগী ৱারীবু মথুক্তা সনাপুন, কৌতা পায়দুনা ঈশৈ ওইনা শকপা হৌরকখি। মসিদগী কোনুং মনুংদগী অসুক লাম্থোক্লক্লুনা,

লৈকাই লৈকাইদা দক্ষিনা পীদুনা কৌনরক্কুনা 'খোংজোম পর্ব' শৈশক অসি শন্দোক্লককখিবনি। খোংজোম পর্ব্ব অসি তশেংনমক মণিপুরী জাতিগী লৈবাক নীংবগী ওইনা হৌদোকখি। মমা লৈবাককীদমক্তা মথৱায় থাবা ঙমহৌদ্রবসু মহাক্লা ঈশৈ-ৱারী অসি শকপদা অতাবা মীপুম খুদিংমক্তা মমা লৈবাক নুংশিবগী ঈথিল ফাওহনবা ঙমখি। অসিগুম্বা ঈশৈ-ৱারী অসি শকপা মতমদা শৈশকপা মহাক্তি মীয়ামগী ভাবক্কী পুক্লীং ঈহৌ অদুগী মরক্তা খক য়াওশিনবা তৌদে। মসিগীসু মথক্তা অশৈবা অদুগী মশামক্কী পুক্লীংগী অপাম-পামদ য়াওদনা মীয়ামগী থম্মোইগী ঈহৌ কনখৎহল্লি। মসিমক ঈশৈ-ৱারী শকপশিংগী অচৌবা মশাজৎ অমনি।

খোবি লৈনৌনা অহানবদা মমিৎনা উহৌবা খোংজোম লানগী থৌদোক অদু য়াম্না নুংশিনা মখুউদা অমদি কোত্তৌ মচেৎ অমদা তান থাদুনা ঈশৈ-ৱারী অসি শকপা হৌরকখিবনি। অদুগী মতুংদা মীয়াম্না খোলক পায়হন্দুনা হায়রিবা ঈশৈ-ৱারীগী শৈশক অসি অসুম মখা চৎথনা শৈশক্লকখি। 'খোলক' হায়রিবা যন্ত্র অসি মতৌ করম্না চঙলকখিবনো হায়বসি খঙব্রদা খরা লুরবসু হায়রিবা অৱাং ভারতকী যন্ত্র অসিদি মণিপুরীশিংনা য়াওশঙগী হোলিদা শীজিন্নবা হৌরে হায়না হায়নৈ। ভারতকী অৱাংথংবা শরুক্তা তরামাপনশুবা শতাব্দীদা মণিপুরী নিংথৌশিংনা হোলিগী শক্লোন অসি নৈনরুনবগীদমক্তা মীওই কয়া অমা থাবগী ৱাফম অসি পন্নৈ। মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তি (১৮৫০-১৮৮৬)না মরুওইনা মসিগী লম অসিদা য়াম্না হেন্না মথৱায় য়াওবগী ৱাফমসু লৈ। ১৮৯১ ইংদা মণিপুরদা চঙলকপা বৃটিশ লাম্নীশিংগী মনুংদা পঠান্নচিংবশিংনা মখোয়গী অহাংবা মতমদা খোলক যন্ত্র অসি পায়দুনা ঈশৈ শক্কুনা মতম লেনবা অমদি জগোই শাবা অসি মণিপুরী সমাজদা চৎনরকই। অদুগা য়েরুবা লাম্নীশিং অসিবু লক্কবা ওইনা মণিপুরীগী ফাগী তৌবা হৈবা কাঙবুনা খোলক পায়দুনা ঈশৈ শক্কুনা বৃটিশ লাম্নীশিংবু করেম্নদুনা কাবুল পালা, ফদিবী পালা অসিনচিংবা শুমাঙ লীলা শান্নরকখি। অৱাং ভারতকী খোলক হায়বা যন্ত্র অসি মণিপুরী শুমাঙ লীলাদা ঙসি ফাওবা শীজিন্নরি হায়বা য়াই।

খোবি লৈনৌনা শক্লিবা খোংজোম পর্ব্বগী ঈশৈ-ৱারী (বেলদ) অসি মণিপুরী মীয়াম্না য়াম্না নুংশিনা অমসুং পাম্না তানরম্মী। মসিদগীদি মসিগী ঈশৈ-ৱারীগী শৈশক অসি তম্নিংদুনা মণিপুরীগী অশৈবশিং কয়ানা মহাকপু ওঝা গুরু ওইনা শৈশক অসি তম্নবগীদমক্তা খনখিরম্মী। মহাক্কী নুংশিবা শৈশক অসি য়েংলুরবদি নট সঙ্গীত অমসুং পেনা অনীগী য়ানশিন্নবা মওংনি। মহাক্কী শৈশক অসি ৱারীনা মপৃংনি হায়না হায়নৈ। মরক মরক্তা খোলক য়ৈ, অদুগা তাল নাইনা ঈশৈ শকই। মহাক্লা ঈশৈ শকপদা চুম্নদা ঈশৈ শকপা অমসুং লীবা নত্তে, অভিনয় য়াওই। অভিনয় অদু মিত্তা, খুৎ-শাগী মতৌদা শক্লিবা ঈশৈ অমদি ৱারীদু অমুক্কা হেন্না ময়েক শেংনবা হোৎনৈ। খোবি লৈনৌগী সেবকশিংগী মনুংদা খুমন্থেম চাউবা (ৱাংখৈ), লৈমপোকপম হেরাচন্দ্র (ভানপ্পী খোং), লাইশ্রম তোনা সিংহ (থৌদা ভাবক লৈকাই), তখেল্লম্বম থম্বালঙৌ (কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই) অমসুং হিয়াংথাংগী ওঝা নোংথোম্বম 'কুলিজাও' অসিনি।

খোবি লৈনৌগী মতুংদা খুমন্থেম চাউবগী লোম্বক ওইনা বামোন হুই হায়না খঙনবা হুই খোংদুনা খোংজোম পর্ব্ব শকপা অফাওবা অশৈবা অমসু লৈরম্মী। মহাক অসি শক-চু খোইনা ফজদে, অদুগা মমিৎ নাম্মা শোই হায়নৈ। মহাক্লা মখুৎনা খুদা, তাংদা পুং য়ৈ অমসুং খুৎদাং পাম্লোম অনীনা পোদ্রোক-পোদ্রোক য়ৈনদুনা মখোল খোকহল্লি অমদি ৱারবা কান্দা হুই খোংদুনা ভাবকপু নুঙাইহনবদা নত্তনা শুক্ষৎহল্লি। মহাক্কী শৈশক অসি কাছাড়দদি য়াম্না পাম্নৈ হায়না হায়নৈ। মহাক্কী শৈশক অমা ওইজরবসু মীয়াম্না শুক্ষৎপা ঙম্মা মমিং চৎপা ব্রাহ্মণ ঈশৈ শকপা অমনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরী নাৎকী শৈশক অমা ওইরিবা খোংজোম পর্ব্ব অসি হৌরকখি।

মোইৱাং কংলৈরোল শৈশক হৌরকপাঃ

খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি মতমগী মতুংইন্না অনী থোক্লা শরুরকই। খোবি লৈনৌনা হৌদোক্লম্বা শৈশক অসিবু পরম্পরাগী ওইনা 'নিংথৌরোল শৈশক' হায়দুনা হৌজিক ফাওবা লৈরি। মহাক্লা হৌদোক্লম্বা শৈশক অসিবু কনাগুম্বা অখঙ-অহৈশিং খরনা 'মৈহৌরোল শৈশক' হায়নসু

কৌনে। অদুগা অতোপ্পা শৈশক অমদি হিয়াংথাংগী ওঝা নোংথোম্বম কুলিজাওনা হৌদোক্লম্বা কংলৈরোল শৈশক' অসিনি। শৈশক অসিদা মোইরাং কংলৈরোলগী শৈরোল মরুওইনা খম্ব-থোইবী অমদি হাওবা কোনুংগী ৱারীনা নম্না শক্লবা ঈশৈ-ৱারী অমনি। শৈশক অসিদদি মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী হায়বদি মোইরাং শাইওনগী ৱারীতমক শক্রে।

হিয়াংথাংগী ওঝা নোংথোম্বম কুলিজাওনা 'মোইরাং কংলৈরোল' অসি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ-ৱারীগী শৈশকলোন্দা শকপা ইহান হান্না হৌরকই। অশৈবা অসিনা তোনু লাইজিংলেম্বী, য়াইথিংকোনু, হাওবা লৈশং শাফবী, খম্ব-থোইবীগী ৱারী ঈশৈশিং অসিবু খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন অসিদা শত্তুনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌবা হৌরকখিবরম্মী। লমদম অসিগী মীয়াম্না ঈশৈ-ৱারীশিং অসিবু য়াম্না পাম্লনা তান্নরম্মী। ওঝা কুলিজাওগী ৱাফম অমনা অহানবদা মহাক অসি পেনা শকপা অমসুনি। মহাক্না কাছাড়গী মণিপুরী তাবা মফম-মফমশিংদা চৎতুনা পেনাগী শৈশক্লোন্দা খোলক্কা লোয়নননা শক্লম্মী। মসিদা মায়পাক্লদুনা মহাক্না মণিপুরদা হল্লক্লগা খম্ব-থোইবীগী ৱারী শীংবুন অসি খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন্দা শক্লম্মী। মহাক্কী শৈশক অসি য়াম্না মমিং চৎলম্মী। মরম অদুনা মহাক্কী সেবকশিংগী মনুংদা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও মীয়াম্না থাঙ্গ মাঙ্গোলজাও হায়না খঙনবা অশৈবা অসিবু মোইরাং কংলৈরোলগী ঈশৈদা মণিপুরগী মকোক থোংবা শৈশকপা অমা ওইরম্মী। মোইরাংগী শৈশক্লোন অসিদা অরিবা সুর শৈশক শীজিন্নদুনা অমসুং লৈবাক্কী মীয়াম্না পাম্নবা পূক্লীংগী ঈথিলবু ফোঙদোক্তুনা অমদি অভিনয় কয়া হাপ্তুনা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন অসিদা শক্লম্মী। ওঝা মাঙ্গোলজাওগী মোত মতুংইন্না মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক অসিবু 'মোইরাং-কংলৈ-ঈশৈ' হায়না কৌনিংলম্মী। মসিগী শৈশক্লোন অসিনা মৈহৌরোন্দগী লৈরক্লিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অদুদগী খেন্নবা লৈ হায়বসিনি। ওঝা মাঙ্গোলজাওনা শক্লিবা মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক্লোন অসিদি মহাক্কী ওঝা কুলিজাওনা শক্লম্বা শৈশক্লোন্দগী ফাওবা খেন্নবা লৈরি হায়বগী মোত ফোঙদোকই। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না সুর ছন্দদা খেন্নবা খরা হেক লৈরগা অতোপ্পা মমিং থোনবা চুমদে হায়না ফোঙদোকই। মরম অদুনা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসিনা খোংজোম লানগী ৱারী পরিংদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ-ৱারী শীংবুন শক্লবসু শৈশক অসিবু 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়না অদুম্মক খঙনখিগনি হায়বসিনি। মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শীংবুন অসি খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন্দা ফাওখিবা অশৈবশিংদি কুজিলাও, মধুসিংহ (ঙাইখোং), কেঐচ মঙ্গোলজাও সিংহ (য়াইরিপোক), থম্বালমচা সিংহ (নারেন কোঞ্জিন), কলা সিংহ অমসুং মৈনো সিংহ (হিয়াংথাং), হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও সিংহ (থাঙ্গা) অসিনচিংবনি। মণিপুরী ঈশৈ-ৱারীগী পুক্কে অসি অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙদা মপূং-মরৈ ফানা চাউখৎলকখি।

খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন্দা খম্ব-থোইবীগী ৱারী শীংবুন শকপা অসি মমাংঙৈদা মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবদা নত্তনা মমিং চৎলম্মী। মরম অদুনা মণিপুর মহারাজনা মতম খরা খোংজোম পর্ব্বদা খম্ব-থোইবীগী ৱারী শীংবুন শকপা অসি থিংলম্মী। মসিগী অথিংবা অসি অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরক্তুনা শান্তি লাক্লবা মতমদুদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা মতম খরা থিংলম্মী হায়না হায়নৈ। অদুবু খম্ব-থোইবীগী ৱারী শীংবুন তানীংবা মীওইশিংনা য়াম্না কন্না তকশিনবদগী থাঙ্গা মাগোলজাওনা অথিংবসি লৈনা-লৈনা খম্ব-থোইবীগী মহুত্তা 'গোপাল অমসুং কোম্বীরৈ' হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা শক্লম্মী। মসিদা নিংথৌগী মনাইশিংনা শক্লিবদু থিংনবগীদমক্তা লাক্লম্মী। অদুবু লাক্লিবশিং অদুদা মহাক্না শক্লিবা শৈশক্লোন অসি খম্ব-থোইবী নত্তে, 'গোপাল কোম্বীরৈ' নি হায়না হায়বদগী থিংঙমদনা চৎখিবদগী ৱারী লৈতবা নত্তে। অদুম ওইনমক ঈশৈ-ৱারী অসিবু তারিবা ভাবোক্লদি ৱারী শিংবুন অসিগী মমিং 'গোপাল-কোম্বীরৈ' হায়না মিংথোঙ্গরবসু ৱারীদি খম্ব-থোইবীগীনি হায়বদু খঙলম্মী অমসুং মদুদা পুক্লীং চঙনা অমসুং নুংঙাইনা তানখিরম্মী। অদুবু মতমগী মতুংইন্না অসিগুম্বা অথিংবা অসি মীয়ামগী য়েংদুনা লৌথোকখি হায়না হায়নৈ। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শীংবুন অসি খোংজোম পর্ব্বগী ঈশৈ-ৱারীদা শকপদা

অহানবদা ঈশ্বরবু খুরুমজবা অদুগা লোয়ননা ইবুঙৌ থাংজিংদা থৌনিজরম্মী। নিংথৌ পাল্লিঙে মতমদদি লৈবাক নিংথৌদা ঈশৈসি হৌগৎলকপদা থৌনিজৈ। অদুবু নিংথৌ পান্দ্রবা মতম অসিদদি মসিগী চৎনবী অসি অসুম-অসুম মাঙশিল্লকপা উদবা নত্তে। অদুবু হৌজিক্কী মতমদা থায়নগী খোংজোম পর্ব্ব শকপা অশৈবশিংনা শক্লরম্বা তোঙান তোঙানবা 'গৌরচন্দ্র' অদু খেন্নবা সুর অমসুং ছন্দদা শক্লরি।

থাঙ্গ মাঙ্গোলজাওদা খোংজোম পর্ব্ব শকপা তন্নবা নিপা-নুপী কয়া কয়া লাক্লুনা তন্নম্মি। অদুগা ওজা অসিনা মহাক্কী মশাগী ওইবা 'মোইরাং কংলৈরোল' হায়না মিঙ্গৌবা খোংজোম পর্ব্বগী ইন্সটিট্যুসন অমা হাংদোক্লম্মী । ওজা মাংগোলজাও মশামক অসি খোংজোম পর্ব্বগী মোইরাং কংলৈরোল শৈশক্কা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরবনি হায়বদা হায়মনবা ওইরোই। থাঙ্গা মাঙ্গোলজাওগী সেবকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং চৎপা অশৈবদি মাইবম তোম্বা (মীয়াম্না লমজাও তোম্বা হায়না খঙনবা) অসিনি। হৌজিক হৌজিক ওজা মাঙ্গোলজাওগী শৈশক্লোন অদুগী লীক্লম কায়দনা লমজাও তোম্বনা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শীংবুনবু শক্লি। অতোপ্পা শীংথানবা য়াবা নুপী সেবক্তি শোরোকখাইবম ওংবী সুন্দরী দেবী (চরাংপাৎ ময়াই লৈকাই) অসিসুনি।

**খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোংইরাং কংলৈরোল শৈশক অনীগী খেন্নবাঃ**

খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অনী অসি শৈরোল (ৱারী পরিং)দা মপুং ওইনা খেন্নবা উবা ফংই। খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা হৌগৎলকপদা খোংজোম লানগী ৱারীতমক শক্লরম্মী। অদুবু মতমগী মতুংইন্না অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী শৈরোলশিং অসি মথং-মথং অহোংবা অমদি চাউখৎলকপা লাকখি। অশৈবশিংনা খোংজোম লানগী ৱারীতা নত্তনা মণিপুরগী নিংথৌরোলশিংগী ৱারী (চরাইরোংবা, ভগ্যচন্দ্র মহারাজনা শামু ফাবা, জিলা দরবার), লৈরোল (লশিং, মৈলৈ লৈম্রা, কাৰ্ফলৈ, ইঙেল্লৈ, কোপ্পীরৈ), মোইরাং শাগী ৱারী, রামায়ণ (সীতা বনবাস, লব-কুশ অনীনা বাল্মীকী মুণিদা খুৎলাই তম্বা), মহাভারত (কুন্তী-গন্ধারী অনীনা মহাদেবদা সনাগী লৈহাউ কৎপা, কীচক পর্ব্ব) অসিনচিংবনি। মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক্তনা মোইণাং লমদমগী ওইবা অপাম-নুংশি, শেৎন-খায়নবা, নুংশি-নুংঙোলদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীশিং হায়বদি মোইরাং-শাইওনগী ৱারীশিং (সাইকল ওভ লভ ষ্টোরিজ) শকই। শম্না হায়রবদা হেঞ্জুনহা-থোংনাং লাইরৌলেম্বী, শাম্বা নহা লমগানবা-খমনুং য়াইদিংকোনু, ৱাংলেন পুংদিংহনবা-চকপ্রম য়াইনু ফিশাহৈবী, ঙানবা-শংলৌলেম্বী, শাম্বা নহা লমগানবা-খমনুং য়াইদিংকোনু, ৱাংলেন পুংদিংহনবা-চকপ্রম য়াইনু ফিশাহৈবী, ঙানবা-শংলৌলেম্বী, খোয়োন হাওবা-য়াইথিংকোনু, খম্ব-থোইবী শাইওন তরেৎনি হায়না থাজনৈ। অদুবু অশৈবা হৈস্লাম মাঙ্গোলজাওগী মোত মতুংইন্নদি মোইরাং শাইওন তরানি হায়না ফোঙদোক্লম্মী। হায়বদি- ফৌওইবী অকোংজাম্বগী ৱারী, হেঞ্জুনহা থোংনাং লাইরৌরেম্বীগী ৱারী, ঙানবা শংলৌলেম্বীগী ৱারী, হাওবা কোনুগী ৱারী, হাওশি নামোইনুগী ৱারী, শাম্বা নহা লমগানবা অমসুং য়াইদিংকোনুগী ৱারী, য়াংহনবগা কুমজা লাইরেম্বীগগী ৱারী, খম্বা থোইবীগী ৱারী, তোনু লাইজিংলেম্বীগা কদেং থাংজহনবগী ৱারী, উরা নহা খোংজোম্বা পিদোন্নুগী ৱারী অসিনচিংবনি।

খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি নট সঙ্গীত অমসুং পেনা শৈশক অনীগী য়ানশিন্নবা মওংনি। শৈশক অসি নেরেটিভ হায়বদি ৱারী লীবনা মপুং ওই মরক মরক্তা ধোলক য়ৈ অদুগা তাল নাইনা ঈশৈ শকই। ঈশৈ শকপা মতমদা চুমনদা ঈশৈ শকপা অমসুং লীবা নত্তে, শাথেক শাওং, মিৎয়েং নায়েংনচিংবগী অভিনয় য়াওই। অভিনয় অদু হকচাংগী শরুক মরুওইনা মিৎতা, খুৎ-শাগী শাথেক, হকচাংগী শাথেক শাওংগী মতৌদা শক্লিবা ঈশৈ অমদি ৱারী অদুবু অমুক্কা হেন্না খুল্লং ঈশৈগী সুর ছন্দ শীজিন্নদুনা শকই। লৈবাক মীয়াম্না পান্নবা নুংশি নুংওনগী পূক্লীং ঈহ্লবু মকা লাম্না ফোঙদোক্লুনা খুৎথেক-শাথেক, মিংয়েং নায়েং কয়াহাপ্লুনা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশকলোনগুম শকই।

খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোলগী শৈশক্তা মঙ্গলাচরণ (ইনভোকেসন)গী মতাংদসু মান্নদবা

শৈরোল থেংনদবা নত্তে। বেলদকী ষ্টাইলদা শক্লিবা মোইরাং কংলৈরোলগী ৱারী শিংবুলসি শকপগী শৈহৌদা তাইবংপানবা মপুবু খুরুম্নজবা, অদুগা লোয়নননা ইবুধৌ থাংজিংদা থৌনিজবসি চৎনৈ। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদদি ঈশৈ হৌগৎলকপগী শৈহৌদা লৈবাক নিংথৌগী মফমদা থৌনিজে অদুগী মতুংদা মোইরাং লমদমবু শৈথাদুনা শকই। মোইরাংদদি থাংজিং হায়রিবা লাই অসি য়াম্না মরুওইবা লাই অমা ওইবদা নত্তনা মোইরাং শাইওনশিং অসি মহাক্কী লীলা শঙদিংনি হায়না থাজনৈ। মরম অসিনা মোইরাং কংলৈরোল শৈশক্তা ইবুধৌ থাংজিংবু খুরুমজবা হায়বসি তৌফদ্রবা অমনি হায়না লুনা লৌনে। অদুগা খোংজোম পর্ব্ব শৌক্তদি অশৈবশিংনা তোঙান তোঙানবা মওংদা শৈথাদুনা গৌরচন্দ্র শক্লে। অশৈবশিংনা শক্লরম্বা তোঙান তোঙানবা গৌরচন্দ্রশিংদু খেন্নবা সুর অমসুং ছন্দদা শক্লে। গৌরচন্দ্র শক্লবা অসিমক্তি গৌড়িয় বৈষ্ণব ধর্মগী চাওরবা ঈথিলনি লৌদবা ঙমদে।

বেলদগী শৈশক অমা ওইরিবা খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অনীসিদা ৱারী পরিংদা খেন্নবা কয়া লৈরবসু শৈশক্ত (ষ্টাইল ওব সিঙ্গিং) মান্নবা কয়া লৈতবা নত্তে। শৈশক অনীমক্তা ফিজেৎ-লৈতেং, খোলক, শাথেক-শাওং, মিংয়েং নায়েং, শকপগী মওং মতৌ অসিনচিংবদা মান্নবা কয়াসু লৈতবা নত্তে। অদুগা অমুকসু চপ মান্নবা শৈরোল নংত্রগা ৱারী পরিং অমদা অশৈবা অমগা অমগা শৈশক-শৈদা, সুর ছন্দ, তালনচিংবদা খেন্নবা উবা ফংই। অশৈবা অমগা অমগা অভিনয়দসু খেন্নে। মসিমক ফোকসোংগী মরুওইবা শৈশক ওইরিবা বেলদকী ষ্টাইল ঙাক্তনি মরম অসিনা মণিপুরগী অখণ্ড-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না শৈরোলদা, সুর ছন্দদা খেন্নবা খরা লৈরবসু খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক হায়না তোঙান তোঙানবা মমিং থোনবসি পামদে হায়না ফোঙদোক্লক্শি। খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসিনা খোংজোম লানগী ৱারী পরিংদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ঈশৈ-ৱারী শিংবুল শক্লবসু শৈশক অসিবু খোংজোম পর্ব্ব হায়না অদুম্মক খঙনগনি হায়বসিনি। তশেংবমকসু শৈশক অনী অসি ৱারী পরিংদা খেন্নরবসু শকপগী মওংদি ঈশৈ-ৱারী (বেলদ)গী শৈশক ঙাক্তনি। মরম অদুনা শৈশক অনীমকসি খোংজোম পর্ব্ব কৌবনা হেন্না চুনৈ হায়দবা ঙমদে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু খোংজোম পর্ব্ব অমসুং মোইরাং কংলৈরোল শৈশক অনীসি মণিপুরী ঈশৈ-ৱারী (বেলদ) গী পূক্লেদা তাংলবা মন ওইরিবা শৈশক অমনি ■

মতেং লৌজখিবশিং ঃ


১। জি সুরচান্দ শর্ম্মা, *খোংজোম পর্ব্বগী হৌরকফম*, খোংজোম পর্ব্বগী সেমিনর পেপর, ইম্ফাল ষ্টেট কলা একাদেমী, জনুৱারী ৮, ১৯৭৮, লাঃ ৩।

২। সঞ্জেনবম নদীয়া সিংহ, *হৌজিক চৎনরিবা খোংজোম পর্ব্বগী হৌরকফম অমসুং তুংগী ওইরক্কদবা মশক*, খোংজোম পর্ব্বগী সেমিনর পেপর, ইম্ফাল, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, জনুৱারী, ১৯৭৮, লাঃ ১।

৩। কে রাণি দেবী, *খোংজোম পর্ব্ব* রিছার্চ রিপোর্ট নম্বর টু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি, সেন্টর ফোর মণিপুরী ষ্টদিজ, জুলাই ১৯৯০, লাঃ ২।

৪। সঞ্জেনবম নদীয়া, *লোকগীত*, 'সাহিত্য', নভেম্বর, ইম্ফাল, ১৯৬৯, লাঃ ১৭।

৫। শমজেৎশাবম তোম্বী সিংহ, অপোকপা শমজেৎশাবম গন্ধার সিংহ, থিনুঙ্গৈ ৱার্দ নম্বর ৯।

৬। তাকপীরকপা ঃ লাইশ্রম বীরেন্দ্রকুমার, য়াইস্কুল হীরুহনবা লৈকাই, ইম্ফাল।

৭। অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, *মণিপুরী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর*, ইম্ফাল, মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ১৯৮০, লাঃ ১২।

৮। 'কুলিজাও' মহাক্কী অশেংবা মমিং চাউবা কৌই। মহাক্কী কুচু য়াম্না মুবা মরমদগী কুলি মাল্লি হায়দুনা মহাকপু কুলিজাও হায়না কৌনখিবনি হায়নৈ।

৯। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, *খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অমসুং শৈরোল*, খোংজোম পর্ব্বগী সেমিনর পেপর, জনুৱারী ৮, ১৯৭৮, লাঃ ১।

১০। হৈস্নাম মঙ্গোলজাও সিংহ, *খম্বা-থোইবী পুন্সি ৱারী*, অহানবা শরুক, ইম্ফাল, ১৯৭৯, লাঃ ৩।

A Two Day National Seminar
on
**Folklore of North East India : With Special Reference of Barak Valley**
Organised by
Bengali Deptt., S.S. College in Association with MAKAIAS
on 30-31 January, 2019 at S.S. College, Hailakandi

# মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং

**(Functions of Manipuri Folktales in the Society)**

ডা: সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর
জনতা কলেজ, কাবুগঞ্জ, কাছাড়

ফুঙ্গাৱারী হায়বসি ফোক লিত্রেচরগী শক্রোন অমনি। মসি 'চাকঙাই ৱারী' নৎত্রগা 'ফুংনোক ৱারী' হায়নসু খঙনৈ। ফুঙ্গাৱারী অসি প্রোজ নেরেটিব (prose narrative) হায়বদি ৱারেংদা লীনবা ৱারীনি। মমাঙঙৈদগী হৌনা নুমিদাংৱাইগী মতমদা মপু-মবেল, মমা-মপা অমদি মথক থোংবশিংনা মচা মশুশিংদা ফুঙ্গা মনাক্তা ফমদুনা ৱারী লীবগী চৎনবী অমা লৈরক্লি। অসিগুম্বা ৱারীশিং অসি ফুঙ্গা মনাক্তা লীবা ৱারী ওই হায়বদগী 'ফুঙ্গাৱারী' কৌরিবনি হায়না থাজনৈ। হৌজিক্কী মতমদদি 'ফুঙ্গাৱারী' অসি নুমিদাংৱাইরম নৎত্রগা নুমিদাংদা লীগদবনি হায়বগী অকক্লবা নীয়ম অমা লমদমসিদা লৈত্রে। লীনিংবা মফম-মতম অমদা হেক্তমক লীনরে। ফুঙ্গা মনাক্তা লীদবা য়াদে হায়বগী অকক্লবসু লৈত্রে।

ফুঙ্গাৱারী (Folktale) হায়বসি চীনবুংদা ৱাহৈ ওইনা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চৎনবী ওইনা মথং-মথং থংথরকপা ৱারেংগী ওইবা ৱারীশিংনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা ষ্টীট তোমসন (Stith Thomson) না অসুম্না হায় ঃ

> ... the traditional prose tale - the story which has been handed down from generation to generation either in writing or by word of mought.[১]
>
> (1951, p.4).

মসি অইবা ওইনা লৈতে; কল্পনানা নৎত্রগা ভাবনা শাবা ৱারেংগী ওইবা ৱারীশিংনি। ফুঙ্গাৱারী অসি মরুওইনা নুংঙাইনবগীদমক্তা (amusement) লীনরক্লবা করিগুম্বদা অচুম্বা নৎত্রগা পাউরৌ পাউতাক য়াওবা ৱারীশিংনি। ৱাফম অসি জেন হেরোল্ড ব্রুনভাণ্ড (Jan Harold Brunvand) না অসুম্না পল্লি ঃ

> Folktales are traditional prose narratives that are strictly fictional and told primarily for entertainment, although they may also illustrate a truth or point a moral.[২]
>
> (1978, p.125)

মসি চীনবুংদা চৎনবী ওইনা লীনরকপা ধর্ম্মগা মরী লৈনদবা কল্পনানা শাবা, মীওই কাঙলুপ অমগী পুন্সি মরেল তাকপা ৱারীশিংনি। বিলিয়ম আর বেসকম (William R. Bascom) না ৱাফমসিবু শৌগৎলদুনা অসুম্না ফোঙদোকই ঃ

> Folktales are prose narratives which are regarded as fiction.[৩]
>
> (1981, p. 97.)

ফুঙ্গাৱারীগী মরুওইবা চরিত্রশিংদি মী নৎত্রগা শা, উচেক নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা জীব পানবশিং অমনা হেক্তা ওইবা য়াই। করিগুম্বদসু ভুৎ-প্রেৎ, হেলোই, হিংচাবা-হিংচাবী, থৱায় পান্দবা করিগুম্বা পোৎশকশিং অসিনচিংবনসু ওইবা য়াই। ফুঙ্গাৱারীগী অকক্লবা মফম-মতম অয়াম্বনা লৈতবগা লোয়ননা ৱারী অসি কনানা করম্বা মতমদা হৌদোক্লম্বনো হায়বগী চপ-চাবা অদু খঙবা ঙমদে। ফুঙ্গাৱারী অয়াম্বা 'থায়না থায়না মমাঙঙৈদা' হায়না হৌরগা 'নুংঙাইনা পানখিয়ে' হায়না লোইশিন্নৈ। মসিগী মরুওইবা মরমদি ফুঙ্গাৱারী অসি নুংঙাইনবগীদমক্তা লীনবা ৱারী ওইবদগীনি।

মণিপুরী খুন্নাইদা ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মরাং কায়না ফংই। ওল্লিঙৈ মতমদগী মণিপুরী খুন্নাইদা লীনদুনা লাকলি। মণিপুরী (মৈতৈ) ফুঙ্গাৱারীশিং অসি কন্টেন্ট (containt) তা য়েংলগা শা, উচেক্কী ফুঙ্গাৱারী (Animal Tales), ফাগী জুগাইগী ফুঙ্গাৱারী (Humorous Tales), লৌনম-নমথাঙ্কী ফুঙ্গাৱারী (Cheating / Trickster Tales), পাউরৌ-পাউতাক্কী ফুঙ্গাৱারী (Moral Tales), যাদু-মন্ত্রগী ফুঙ্গাৱারী (Magic / Wonder Tales), শা, উচেকনচিংবা ওনখিবগী ফুঙ্গাৱারী (Etiological Tales), ক্যুমুলেটিবকী ফুঙ্গাৱারী (Cumulative Tales) হায়না মখল তরেংথোক্লা থায়দোকপা য়াই। হায়রিবা ফুঙ্গাৱারীশিং অসিনা মণিপুরী খুন্নাইদা তোঙান-তোঙানবা থৌদাংশিং পাঙথোক্তুনা লাকই। ৱিলিয়ম আর. বেসকম (William R. Bascom) না Contributions to Folklaritics (1981) দা পল্লম্বা ফোকলোরগী থৌদাংশিং হরাউ নুংঙাইহনবা, নাৎ শৌগৎপা, (Validating Culture), লৌশিং জ্ঞান পীবা (Education), খুন্নাইগা চুনহনবা (social pressure and exercising social control), খুন্নাইগী অমদি লৈঙাকলোনগী অহোংবা পুরক্লবা খুৎলাই ওইবা (instrument of social and political change) হায়রিবা থৌদাংশিং অসি পাঙথোকই। অসিদা নত্তনা ফিজেৎ-লৈতেং, চাকচা-য়ুথক, চৎনবী-থাজনবী, লাইনীং-লাইশোন, য়ুমলৈ-কৈরে, খুৎশু -খুৎলাই অসিনচিংবা কয়াসু খৎহল্লি।

ফুঙ্গাৱারীগী মরুওইবা থৌদাংদি হরাউ-তয়ামহনবা অমদি নুংঙাইবা পীবনি। আলেকজেন্দর এঁচ. ক্রেপ (Alexender H. Krappe) না ৱাফম অসিগী মতাংদা অসুন্না ফোঙদোকই ঃ

> ... the merry tale, wants to entertain, to cause mirth among the listeners or reacers,[৪]
> (1962, p.53.)

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী 'অপঙ থুমলোৎপা' গী ৱারীসি তারগা অতাবশিংনা নোক্তবা ওমদে। 'অপঙ থুমলোৎপা' গী ফুঙ্গাৱারীদা মনাউনিপা অপঙনা ঈশিংগা শন্নবা য়াদবা থুমবু ময়াম্বনা কনাসু খঙদ-উদবা মফমদা লোৎতুনা থম্মু হায়বদগী পুখ্রি মনুংদা লোৎতুনা থমখি। ময়াম্বনা থুমদু পীরো হায়রবদা পুখ্রিগী থোঙ্গ্রা মখাদগী বোরা ঙাক্তা চিংখৎলকপগী ৱারীসি তারগা নুংঙাইবা অমসুং নোকনিংবা পোকহল্লি। অসুন্না হনুবা- হনুবী পান থাবা, নিংঙোল মরা অপঙবা, নাপঙবা ইমুং, মচিন-মনাউ অনী অসিনচিংবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসি তারগা হরাউ-তয়ামহল্লি অমদি নুংঙাইবা পীরি।

ফুঙ্গাৱারীশিং অসি মপুং ওইনা হরাউ-তয়ামহন্নবগীদমক্তা লীনবা (folk narrative) চীনবুং ৱারীনি। অদুবু ফুঙ্গাৱারীশিংদা পাউতাক্কী মশকশিং ফুমদুনা য়াওরি। মসিদা লৌশিং-জ্ঞান পীবগী থৌদাংসু লৌরি। তশেংনমক মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংনা খুন্নাইসিদা তোঙান-তোঙানবা মওং কয়াদা মরুওইনা অঙাংশিংদা মখল-মখাগী লৌশিং জ্ঞান পীরি। অঙাংশিংদতা নত্তনা লাইরিক-লাইশুগী মঙাল ফংদ্রবশিংদা লৌশিংগী মঙাল পীরি। ৱাফম অসিবু *ইন্টরনেসনেল এনসাইক্লোপেদিয়া ওফ সোসিয়েল সাইন্সেস* তা অসুন্না ফোঙদোকই ঃ

> ... important in the education of children, because so many of them are moral tales. The importance of verbal art in education has been noted in non-literate societies throughout the world.[৫]
> (1972, p. 498.)

তশেংনমক ফুঙ্গাৱারীশিং অসিগী নুংদা পাউতাক্কী মশক ওইবা লৌশিং জ্ঞান অমদি অদুমক ফুমদুনা য়াওরি। মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী 'পেবেৎ' কী ৱারীদা পেবেৎ মপীনা মচা চাউবা ঙাইবা ওইনা মশক থিখ্রবা, নুংশিখিদ্রবা হৌদোং লম্বেইববু নুংশিবা শাশিন্নে। লৈশি-লৈথোল কয়া শীজিন্নদুনা ফজবা ৱাঙাংশিংনা তমথিবা হৌদোংবু তেহ্ন্দুনা মচাশিংগী মথৱায় কনখি। ৱারী অসি তারগা 'পাৎলিঙৈদদি হয়িংদসু নোনজৌ' হায়নবা পাউতাক্কী মশক্তু খঙহল্লি। লোয়ননা পেবেৎ মপীগী পাইরক্কী লৌশিংনা হৌদোংগী মখুৎতগী মচাবু কনখিবদু তারগা লৌশিং-জ্ঞানগী মঙাল পীরি। অসুন্না 'ইতা থাউমৈ' গী ফুঙ্গাৱারীদা হনুবীগী পাইরক্কী লৌশিংনা হূরানবা ফাখিবদু তারগা 'লৌশিংনা শামু ফায়' হায়নবা পাউতাক্তু খঙহল্লি। 'লাই খুৎশাংবী', 'কবুই কৈওইবা', 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' অসিনচিংবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংনসু তোঙান-তোঙানবা লৌশিং-জ্ঞান পীবগী থৌদাংশিং লৌরি।

ফুঙ্গাৱারীনা খুন্নাই অমগী কলচরবু য়োকখৎতুনা থম্বগা লোয়ননা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চৎনবী থাজনবী কয়াবু মথং-মথং চৎথরকপা ওমহল্লি। হায়বদি কাঙলুপ অদুগী কলচর শাগৎলিবা পোৎশক-পোৎলম, থৌরম-থৌদোক, থাজনবী ৱাখল্লোন অসিনচিংবা পুন্নমকপু শৌগৎতুনা মীরোল কয়া-কয়া মথংশিংনা শমথরক্তুনা হিংহল্লি। ফিজেৎ-লৈতেং, চাকচা-য়ুথক, কুম্মৈ-ফিয়োং, লাইনীং-লাইশোন, লাইথৌ-তীনথৌ, লায়েং-পথাপ কয়াসিবু য়োকখৎ-শৌগৎতুনা খুন্নাই-কাঙলুপকী মনুংদা চৎনহন্দুনা লৈহল্লি। মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা', 'ইতা থাউমৈ', 'তেনবা ওনবগী ৱারী' শিং অসিদগী মণিপুরী খুন্নাইদা নুপীশিংনা ফিশা-লোনশা, ইমুং-মনুংগী কুপনোম, পাৎ-তুরেলদা চৎতুনা ঙাথিবগী চৎনবী লৈরম্বদু উৎলি। লোয়ননা ঙসি

ফাওবদা হায়রিবা থৌদাংশিং অসি মৈতৈ নুপীশিংনা চৎথদুনা লাক্লি। 'মচিন-মনাউ অনী', 'তেনবা ওনবা' গী ৱারীশিং অসিনা মণিপুরী খুন্নাইসি লৌউ-শিংউগী মপান তাংদুনা হিংবেনি হায়বদু খঙহল্লি। অদুগা শস্পোৎ গোয়বা, লৌ খাওবা, লৌ ঙাকপা অসিনচিংবা কয়াসিসু হৌজিক ফাওবদা অদুম্মক চৎথদুনা লাক্লি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা ওল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মণিপুরীশিংগী পুন্সি মরেলগা মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা মথৌ মঙমশিংদু খঙহনবগী থৌদাং পাঙথোকই। 'হঙেহিনা মী ওনবা' ফুঙ্গারারীসিদা হায়ন-শীনেরবা মতুংদা অঙং-অউন তমদুনা লুহোংবা, অফবা নুমিৎ থাবান য়েংদুনা লুহোংবা অসিনচিংবা ময়েক শেংনা তাকই। অমুকসু মণিপুরী খুন্নাইদা য়াওং ইনবা হায়বসি ওল্লিঙৈ মতমদগী পাঙথোক্লুনা লাক্লবা চৎনবী অমনি। কনাগুম্বা মচা নিংঙোলদমক পোকচবা মমা মপানা অফবা মমাক নুপা খন্দুনা লুহোংবীরগা য়াওং ইন্দুনা থম্বগী চৎনবীসি 'নিংঙোল মবা উয়ান উপ্পা', 'নিংঙোল মৱা অপঙ' অসিনচিংবগী ৱারীশিং অসিদা উবা ফংই। মৈতৈশিংনা মী অমা শিবদা অশিবা অদুবু খাঙেনফমদা থাংদোক্লুনা থম্লগা চৎনবীগী মতুংইন্না তৌফম থোকপা লাইশোন-তীনশোল তৌদুনা অশিবগী মথৌ মঙম পাঙথোক্লুম্বদু 'হনুবা হনুবী পান থাব' গী ৱারীদা থেংনৈ। ৱারীসিদা হনুবীনা য়োংশিংদা ফিডৌনা কুপ্লুনা ইমুংদা লৈরিবা হনুববু খাঙেনফমদা থাংদোক্লবা হায়খিবা অসিনা খঙহল্লি। 'লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকনোল' গী ৱারীদা লৈবাক নিংথৌনা চন্দ্রকনোলবু কোমদা লংথবা অদুগা শীং মরোল মরোল পৈদুনা মৈ থাবা অসিনা মৈগী পোৎলোইবগী খুন্নাইসিদা চৎনরিবা মশক্তুনি হায়বা য়াই।

খুন্নাই অসিগী মীওইশিংগী য়ুমশা-কৈশা অমদি য়ুমলৈ-কৈরৈগী মওং-মতৌসু মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা ময়েক শেংনা য়াওরি। মসিনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংগী মাঙলমচৎতগী লৈরক্লবা পুন্সি মহীং অমদি হিংবগী থাক লেপ্পদা অচৌবা মতেং ওইরি। মণিপুরীশিংনা য়ুম অমগী মনুংদা চাকখুম কা, ফুঙ্গা নাইবা, সনামহী কানচিংবা থম্বগী মশক্তু 'নিংঙোল মৱা উয়ান উপ্পা' হায়রিবা ফুঙ্গাৱারী অসিদা থেংনৈ। ৱারীসিদা নিংঙোল মৱানা ইমুং অমম্বদা চুহী চকুদা খুদি থীজিনবা অমসুং শম্হোং কাচিন্দা লৈরিবা লশিং কাপোন্দা অনুক তুশিন্দুনা চুহী তৈবা মশাদুদা লশিং নপশিল্লগা লৈরম্বা মশক্তু ফুঙ্গা ৱামৈ কামদুনা মৈ চুখৎলগা থাউমৈ থানগৎপদা মনেমনা থেংনরুবা, সনামহী মথি ফোঙলে হায়না খনখিবা অসিনচিংবসিনা খঙহল্লি। ৱারীসিদা চাকখুম কা, সনামহী, ফুঙ্গানচিংবা নাইরম্বগী মশক্তু শেংনা য়াওরি। ফুঙ্গাদা ঈশিং শাহনবা, থোঙ-থাকপগী থবক তৌরম্বগী মশকসু 'হনুবা হনুবী পান থাবা', 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীদসু থেংনৈ।

খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা লাইনিংথৌ সনামহীবু য়ুমগী মীওই পুন্নমক্কী ঙাকপী-শেনবীবা, নুংঙাই য়াইফ পীনবিবা খ্বাইদগী অথোইবা লাই ওইনা চেৎনা থাজনৈ। অসিগুম্বা লাইনীং-লাইশোনগী মশকসি 'হনুবা হনুবী পান থাবা' হায়বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীসিদা য়াওরি। ৱারীসিদা ফজবা লম্বান মকাদু হেক্তুনা য়ুম্নাই সনামহীদা কৎলগা থোঙদুনা চাখিবগী মতাংসিনা খঙহল্লি। 'নিংঙোল মৱা উয়ান উপ্পা' ৱারীসিদসু সনামহী মথি ফোঙলে হায়দুনা মৈ থাগৎলগা কবোক পোক্তুনা চুহী তোৎলগা লা লাতোন অমদা হাপ্তুনা শম্হোং কাচিন্দা চাকুবীয়ু লনকুবীয়ু হায়না মনেমনা খুরুমজখিবা অসিনা মমাঙঙৈদগী হৌনা অসিগুম্বা লাইনীং অসি লমদমসিদা চৎনরক্লে হায়বসিগী ময়েক লারবা খুদম ওইরি। অঙনবা মতমদগী হৌনা লমদমসিগী মীওইশিংনা মঙদা থোকপা থৌদোকপু লুনা লৌনবগী মঙতাক্কী থাজনবী অমা লৈরকই। অসিগুম্বা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংগী অচেৎপা থাজনবী অসি যাদু মন্ত্র ফুঙ্গাৱারীগী মনুং চনবা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীদা ময়েক শেংনা উবা ফংই। ৱারী অসিদা শন্দ্রেম্বীগী মমঙদা লাক্তুনা 'লোং খোন্দুনা ফারগা নুমিৎ তরেৎথনি চুপ্পা ইশাইফু মনুংদা থম্মু, মী ওনবা ঙম্বরা য়েংগে' হায়না শন্দ্রেম্বী মমানা হায়রম্বা, থেঙ্গুদু ফাদুনা পুরক্লগা ইশাইফুদা য়োক্তুনা থমখিবা অসিমক মঙতাক থাজবগী ময়েক লারবা খুদমনি। অমুকসু থেঙ্গুগী শরু-ঙারুশিংবু খোমজিল্লগা লা লাতোন অমদা য়োমশিন্দুনা ফুঙ্গা লাইরুদা নুমিৎ মঙানি ফুম্মু হায়না অমুক হন্না শন্দ্রেম্বী মমানা তারুম্বদগী ফুমদুনা থমখিবা অসিসু মঙতাক থাজবগী খুদমনি। 'তেনবা ওনবগী ৱারী', 'শামু অঙৌবগী মচানুপী' অসিনচিংবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদসু মঙতাক থাজবগী মওংসি য়াওরি।

মীরোল অমদগী মীরোল অমদা চীম্বাং য়ৈনা থংথদুনা লাক্লিবা ফুঙ্গাৱারীশিংনা খুন্নাই অদুগী মীওইশিংগী চাকচা-য়িথক্কী মতাংদসু খঙনবগী থৌদাং লৌরি। 'হনুবা হনুবী পান থাবা' হায়বা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীসিদা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা হেন্তাক, পান, মাইরেলনচিংবা চাই হায়বদু তাকই। 'নিংঙোল মৱা অপঙবা' গী ৱারীদা চুহী, চাকহৌনচিংবা অদুগা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীদনা ঙা, হৈবোং, থেঙ্গু, হৈজাং, লমখুনু, চগেমপোম্বা অসিনচিংবা চাই হায়বদু খঙহল্লি। অসিদসু নত্তনা অতৈ ফুঙ্গাৱারীশিংনেসু মৈতৈশিংগী তোঙান-তোঙানবা চাকচা-য়িথক্কী মশকশিং খঙহল্লি।

খুন্নাই অমগী পুন্সিদা শীজিন্নরক্লিবা পোৎলমশিং অমদি ফিজেৎ-লৈতেংগী মশকশিং খঙহনবগী থৌদাংসু ফুঙ্গাৱারীনা পাঙথোক্লি। অঙনবা মতমদগী হৌনা লাঙ্গোল, শীংজং, থাঙ, কোর্ফু, খাবৈ, চেগপ, থরুং, উতোং, পোলাং, থুমোক, তেম, তরেং, কপত্রেং, সনা-লুপা, ফিগে ফনেকনচিংবা শীজিন্নরম্বগী মমি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা থেংনৈ। অমুকসু ফিশা-লোনশাগী

ইয়োংগী ওইবা খুৎশু-খুৎলাই, লৌউ-শিংউগী পোৎলমশিং, নুংতিগী পুন্সিদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং অমদি ফিজেৎ-লৈতেংগী মশকশিংসু ফুঙ্গাৱারীশিংনা খঙহল্লি। খুদম ওইনা 'নাপঙবা ইমুং' ৱারীদা লাঙ্গোল, কোর্ফু, 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' দা থাঙ্গোল, ফিগে ফনেক, সনা লুপা, লোং, তুঙ্গোল, হৈজ্রাং, 'কবুই কৈওইবা' দা উতোং, তেম, 'হরিনোংনোং ওনবগী ৱারী' দা খাবৈ, চেগপ, পোলাং, অসিনচিংবা শীজিন্নরম্মী হায়বদু উবা ফংই। অদুগা মণিপুরীশিংনা ইয়োংগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং তরেং, তওৎ, লশিং কাপোন, তেম, কপত্রেং, হুইত্রিনচিংবা শীজিন্নরম্বগী মশকসু 'ইতা থাউমৈ', 'হামৈ য়োনবী', 'উচেক লাংমৈদোং'গী ফুঙ্গাৱারীশিংদা থেংনরি।

ফুঙ্গাৱারীশিংনা খুন্নাইচাশিংবু খুন্নাইগী চৎনবীশিং অদুবু য়ান্নদুনা নৎত্রগা মতুং ইন্দুনা চৎহন্নবগী থৌদাংসু (social control) পাঙথোকই। খুন্নাইনা অফবা অচুম্বা ওইনা য়ান্নরবা চৎনবীশিংগা চুননা চৎপা মীওইশিংবু শৌগৎতুনা ঈকায় খুম্নে। অদুগা খুন্নাইনা য়ান্নদবা চৎনবীশিংবু চৎপা মীওইশিংবু হুন্দুনা নৎত্রগা করিগুম্বদা খুন্নাইদগী ফাওবা ইম্থোক্তুনা থম্মী। মতৌ অসুন্না খুনাইচাশিংনা চৎনবীশিংবু ঙাক্তুনা চৎহন্নবগী অমদি খুন্নাইবু ঙাক শেন্দুনা থম্বগী থৌদাং লৌরি। কনাগুম্বা মীওই অমনা মীগী মাঙনবা নৎত্রগা ফত্তবা থবক অমা তৌগে খল্লকপদা মদু তৌরোইদবনি হায়বসি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা খুদম ওইনা উৎলি। হায়বদি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারী ওইরিবা 'শন্দ্রেম্বী চাইশ্রা' গী ৱারীদা য়াওরিবা মীগী মাঙনবতা তৌবা চাইশ্রা মমা মচাগী পুন্সিগী পোলোইদা অৱাবা, মায়থিবা নংখিবদুনা খুদম ওইদুনা খুন্নাইচাশিংদা ফত্তবা থবক তৌনিংবা পোক্হনদে। 'তেনবা ওনবগী ৱারী' দা নহা ওইবগী ইন্দ্রিগী ঈখৌ লাংবদু ৱারকপা ঙমদবনগী নত্তবা লীচৎ চৎলুবনা পুন্সি পিখন্নখিবা উৎলি। মসিনা নহা ওইবশিংদা অচৌবা পারা অমা ওইহন্দুনা পুক্নীং ৱারক চেৎহল্লি। 'কবুই কৈওইবা'গী ৱারীদসু মীগী মাঙনবা তৌরুবা ফত্তবা থবক্কী ফল ওইনা ময়ুম মকৈ ফাওবা তুম্না মৈনা চাকখি। ফুঙ্গাৱারীসিনা খুদম ওইরগা খুন্নাইচাশিংবু অফবা অচুম্বা লম্বীদা চৎনবগী মায়কৈ তাক্লি। তশেংনা হায়রবদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংনা খুন্নাইবু অফবা মায়কৈদা পুন্নবগী চেকশিন্না ঙাক-শেল্লি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা অঙনবা মতমগী মণিপুরগী লৈঙাক পথাপকী মশকশিংসু খঙহল্লি। নিংথৌনা লৈবাক্কী মকোক ওইদুনা, নিংথৌগী মখাদা ফম্নইবা, অঙম-অথৌশিং লৈদুনা লৈঙাক শাসন তৌরকই হায়বসি মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদগী খঙবা ঙম্মী। 'খম্বাংচাক্লা মপাম চৎপা' ফুঙ্গাৱারীদা নিংথৌনা লৈবাক্কী ৱাথোক অমা থোরকপা মতমদা অশেংবা অচুম্বা লংলা লংজিন থিদুনা ৱায়েল থৌদাদুনা লৈবাক ঙাক্লুম্বগী মশক থেংনৈ। 'লুখ্রাবী মচা চন্দ্রকংনাল' দা নিংথৌগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াইবু কিনা লুনা লৌনরম্বগী মশকসু য়াওরি। ৱারীসিদা চন্দ্রকংনালগী মমানা কৎলবা সনাগী থম্বাল অদুবু খোয়দারদুনা অতোপ্পা চপ মান্নবা থম্বাল অমগা অমুক পাল্লকপদগী নিংথৌনা হয়েংগী নুমিৎতা থম্বাল অমগা কৎলগদবনি। নৎত্রবদি শিবগী দণ্ডি পীগনি হায়না য়াথং তৌখিবা অসিনা লৈবাক নিংথৌনা হাৎপা তুম্নগী চৈরাক ফাওবা পীরম্মী হায়বা তাকই। অমুকসু ৱারীসিদা নিংথৌনা শক্তি পায়বনি হায়দুনা শক্তি লাম্না শীজিন্নরবদি প্রজানা নিংথৌ খুভম শিনবা ঙম্মী হায়বদুসু থেংনৈ। করাম চাউবা নিংথৌনা চন্দ্রকংনালবু হাৎনবা শীনবদু প্রজাশিংনা খঙলক্তুনা মথৱায় কনবিখি। অদুগা চন্দ্রকংনালবু নিংথৌ হাপখি। করাম চাউবা নিংথৌদুনা নিংথৌ ফম তাখি। অসিদা নত্তনা 'হঙোইনা তাইবঙ মী ওনবা', 'মচিন-মনাউ অনী', 'নিংথৌমচা অমসুং মন্ত্রি মচা' অসিনচিংবা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিদসু লৈঙাক পথাপকী মশকশিং ময়েক শেংনা খঙহল্লি।

মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিং অসিনা খুন্নাই অসিগী মীওইশিংদা ঙল্লিঙৈ মতমগী পুন্সিরোল, ৱাখল্লোন, চৎন-পথাপ, থাজনবী, শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং, চাকচা-য়ৢথক, ফিজেৎ-লৈতেং অসিনচিংবা কয়া ময়েক শেংনা খঙহল্লি। অসিদা নত্তনা খুন্নাই অসিগী নাৎ অমসুং চৎনবী কয়াবু মীরোল অমদগী মীরোল অমদা থংথদুনা চৎনহনবদসু চাউরবা মতেং ওইরি। তশেংনমক খুন্নাই অসিগী নুং অমসুং পানগী শক্রোনশিংগী মমি ফুঙ্গাৱারীশিংদা তারি। অসিগুম্বা খুন্নাইচাশিংগী শক্রোনশিং অসিবু য়োকখৎপা অমসুং চৎনহনবদা মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকলি।


মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং ঃ

১। Stith Thompson, *The Folktale*, New York, The Dryden Press, 1951, p.4.

২। Jan Harold Brunvand, *The study of American Folklore*, New York, W.W. Norton, 1978, p.125.

৩। William R. Bascom, *Contributions to Folkloritics*, Meerut, Archana Publications, 1981, p. 97.

৪। Alexender H. Krappe, 1962 (Rpt.), *The Science of Folk-lore*, Methuch, London, p.53.

৫। International Encyclopaedia of Social Science, 1972, Vol. V, p. 498.

৬। রাজকুমার সনাহল সিংহ, *ফুঙ্গাৱারী*, ইম্ফাল, ১৯৫৯।

৭। সরাংথেম বরমনি সিংহ, *চীং-তমগী ফুঙ্গাৱারী*, ইম্ফাল, ১৯৯৮।